ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
সনালৈবাক
চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে
www.sanaleibak.in



সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী থীৱা ভিল্লেজকী থীৱা স্পোর্টস এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ২৪ শুবা টি এস এ ওপন টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এন রাজেন্দ্রো ওকপগী শক্তম




ইমোইনু ঈরাৎ থৌরমগা মরী লৈননা সলাই তরেৎ এসোসিয়েসন জিম, কৈরাও বিত্রগী থৌমীশিংগা লোয়ননা এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর মৈতে য়াওনা কৈরাও বিত্রদগী হৌরগা লংদুম অৱাং লৈকাই ফাওবা খোঙচৎ চৎপা



রেদিয়েন্ট ই–রাইদনা এক্সাইদ বেটরি মেনুফেকচরিং কম্পনিনা শাবা এক্সাইদ নিও হায়না খঙনবা অনৌবা ই–রিক্সো রেদিয়েন্ট গ্রুপকী মেনেজিং দাইরেক্তর নেপ্রম রোমিওনা লুচিংদুনা লোঞ্চ তৌবগী শক্তম

Volume No: 44 Issue: 042 | IMPHAL WEDNESDAY 08 JANUARY 2020 | য়ুমশকৈশা, ৱাকচিংগী ১৩ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

খ্বাইদগী চাউবা অশোয়বসি অশোয়বদু অদু চখ্নদুনা লৈবদুনি

## অঙৈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২১.৭৯° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ৬.৩২° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং–৬.০০
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৪.৪১

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৭৪.১৫
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬৭.১৯

"OLED" SONY
BRAVIA "OLED"



Sound directly from d screen.
SONY 55" KD-55A8F
₹ 3,29,900/- = ₹ 1,99,990/-
SONY 65" KD-65A8G
₹ 3,69,900/- = ₹ 2,99,990/-
SONY HOUSE, PAONA BZ. IMPHAL
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.
SONY PLAZA, KEISHAMPAT TIDDIM PETROL

NEW YEAR OFFER
KLV-24P413D ₹ 15,600 = ₹ 13,990
KLV-32R202G ₹ 23,850 = ₹ 17,990
KLV-32R302F ₹ 26,600 = ₹ 20,990
KLV-32R422F ₹ 30,300 = ₹ 21,990
KLV-40R252F ₹ 43,900 = ₹ 33,990
KLV-40R352F ₹ 47,900 = ₹ 34,990
KLV-43W672G ₹ 56,900 = ₹ 44,990
KLV-50W672G ₹ 64,900 = ₹ 57,990
SONY HOUSE
VIDEOCON HOUSE
PAONA BAZAR, IMPHAL

গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

## লোইরেদনা

ইবেন, চহী খুদিংগী পোজববু চাহোংঙো ঙাহোংঙো হায়বা ইয়া য়াদেদা...!



কন্দায়দগী য়ানি, নঙনা লৈত–লৈত কংলগা নিবনি, হৈঙংবীহৌইনা ধুম–দামদা কংলগা নিবনি...!

## হেক্তা হায়জিনবা

### মবোক্কী ৱাকৎ

পীয়াইনু
ৱাখরেদা অবোক্তি
য়ুমথোঙ খুদিং চঙলুরে
পোথাফমসু লৈরমদে
ফুঙ্গাদি অমত্তা নাইরমদে
ফুঙ্গা লাইরুদি লায়রদনা
কোক্লা কোক ঙাওরিবা
জর্দা মনমদু তাবদা
মৌ নহা ময়ামদুই
য়ুনমনা মরোল অমা ৱা–ৱা
ৱাখরেদা অবোক্তি
চৎলসিরা থোরকপনি
লক্ষ্মাংদা অমুক ওক্লম্মী
চরাংনবা মরক্তা
ঈশে–ও নোংমাই–ও
শৈথারিনি হায় ঐবু
তাফম লাকফম খঙদেদা
য়ৌয়া য়ৌয়া
মৈত্রবাকসি লাঙমনখ্রে
খুমন্দা হল্লসিরা খল্লেদা
ৱাখরেদা অবোক্তি
পীয়াইনু

# নিরভয়া গেং রেপ– জনুৱারি ২২ দা মীওই মরি থৌরি য়ান্দুনা হাৎলগনি




ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০৭(এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিদা থোকখিবা তমথিরবা গেং রেপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নিরভয়া গেং রেপ কেসতা মরাল লৈরবা মীওই মরি থা অসিগী ২২ গী অয়ুক পুং ৭ তা তিহার জেল মনুংদা থৌরি য়াল্লগা হাৎননবা দিল্লিগী পতিয়ালা হাউস কোর্টনা ঙসি য়াথং পীখ্রে।

কোর্ট অসিগী এদিস্নেল সেসন জজ সতিস অরোরানা শিবগী চৈরাক অদু লাউথোক্লদুনা হায়খি, মখোয়না নুমিৎ ১৪ নিগী মতুংদা লীগেল রেমেদিশিং শীজিন্নবা য়াগনি। জজ অদুনা মহাক্কী জজমেন্ট লাউথোক্ত্রিঙৈদা তিলক মার্গ পুলিস ষ্টেসনগী এস ঐচ ও হান্না কৌখি। জজনা মরাল লৈরবা মীওইশিং অদুগা ভিডিও কনফরেন্সিগী খুৎথাংদা ৱারী শান্নখি, লোয়ননা হায়নিংবা লৈবা মখে হায়বা য়াগনি। মখোয়গী উকিল এ পি সিংহনা হায়, মখোয়না অরোইবা ওইনা সুপ্রিম কোর্টতা ক্যুরেটিভ পেটিসন ফাইল তৌখিগনি।

নিরভয়াগী মমা অসা দেবীনা কোর্টকী ওর্দর অদু তরান্না ওক্লদুনা হায়খি, মহাক্কী মচানুপীগী অচুম্বা অরোইবদা ফংলে 'ঐগী ইচানুপীনা অচুম্বা ৱায়েল ফংলে। মখোয় মরি থৌরি য়ান্দুনা হাৎননবা তৌবসিনা লৈবাক অসিগী নুপীশিংদা পাঙ্গল পীরগনি। ৱায়েল অসিনা জুদিসিয়েল সিষ্টেমদা থাজবা হেনগৎহল্লগনি'।

দিল্লি কম্মিস্নার ফোর ৱুইমেন চীফ স্বাতি মলিৱালনা হায়, ৱায়েল অসি য়ান্না তরান্না ওকই। মসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা নিরভয়া পূন্নমক্কী মায় পাকপনি। নিরভয়াগী মমা–মপানা চহী ৭ চঙনা কেস অসি থেংনরকপগী ইকায়খুন্নবা উৎলি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী দিসেম্বরদা নিরভয়াগী মমানা সুপ্রিম কোর্টতা মখোয় মরিদা পীরিবা চৈরাক অসি রিভিয়্যু তৌনবা থারকপা পেটিসন অমগী মায়োক্তা মুভ তৌখি। দিসেম্বর ১৮ দা তিহার জেলগী ওথোরিটিনা মখোয়দা মখোয়গী মরাল ঙাকপীনবা ফাঁসি পেটিসন নুমিৎ তরেৎনিগী মনুং দা ফাইল তৌনবা নোটিশ ইশু তৌখি। মসিগী মমাঙদা পতিয়ালা হাউস কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীবগী হিয়ারিং অসি জনুৱারি ৭ ফাওবা য়েথোক্তুনা মখোয়গী মরাল ঙাকপীনবা ফাঁসি প্লি তৌনবা মতম পীখি। মখোয়দা শিবগী চৈরাক পীখিবা হুকুম অদু রিভিয়্যু তৌনবা থারকপা প্লি সুপ্রিম কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রবা মতুং পূং খরগী মতুং দা ফীভম অসি লাকখিবনি।

সাউথ দিল্লিগী মুর্নিদা এরিয়াদা হৌখিবা কুমজা ২০১২ কী দিসেম্বর ১৬ তা থোকখিবা গেং রেপকী থৌদোক অদুদা চহী ২৩ খক্তা ঙাইরিবা ফিজোথেরাপি ইন্টর্ন তৌরিবী জ্যোতি সিংহনা মহাক্কী মমান্নবা অৱিন্দ্রা প্রতাপ পান্দেগা লোয়নন বস তোং দুনা চৎলিঙৈদা অচেনবা বস মনুংদা মহাকপু ফুখি, নমদুনা ফল্লানখি অমদি ওৎ–নৈখি। বস অদুদা বস অদুগী ড্রাইভর য়াওনা মখোয় তরুক তোং খি। মখোয় পূন্নমক্না নুপী অদুবু নমদুনা ফল্লানখি। থৌদোক অদুগী মতুং নুমিৎ ১১ নি লৈরগা অশোকপদু সিঙ্গাপুরগী হোস্পিটাল অমদা পুদুনা লায়কন্নখি। অদুবু হোস্পিটাল অদুদা লায়েংলবা মতুং নুমিৎ নীনিগী মতুংদা শিখি।

নুপীমচা অদু লৈখিদ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা থৌদোক অদুগী মতাংদা *মখা লমায় ৩দা...*

# আই এল পিগী থবক্তা সি এস ওশিং য়াওবীরক্কনু: চীফ মিনিষ্টর



ইম্ফাল, জনুৱারি ০৭(এস এন এস)ঃ লমদম অসিদা আই এল পিগা মরি লৈনবা থবক লৌখৎলকপা মতমদা সি এস ওশিং অমদি লন্নাই লুপশিং য়াওশিনবীরক্কনু। মসিগী থবকশিং মরি লৈনবা ওঠোরিতিবু তৌহনবীয়ু। আই এল পিগী গাইদলাইনদা অশোয়বা অরানবা, চিংখি নাম্বহৌবা লৈরবসু মদু শেমদোক্লবগী খুদোংচাবা গাইদলাইনদা য়াওরি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙরাং পাঙথোকপা ক্লব অসি লিংখৎখিবগী ৪৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, লমদম অসিদা লৈরিবা ইশু অয়াম্বা লোইশিনলক্লে হায়না লৌই। টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটিগী ৱাফম চাদ চাম্মা কায়হল্লোই হায়বগী থাজবা লৈরে। য়েলহৌমী কনবগী ৱাফম আই এল পি পীরক্লবনিনা শোয়দনা ঙল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

আই এল পি চৎনহনবা অসি কুমজা ১৯৯৪গী জুলাই ১৯ দা মতম অদুগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর এস বি চৱানগী মতমদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিং কৌরগা ইন্দিয়া কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৯ দা য়াদবা ৱাফমনি হায়না ফোঙদোরকপা মতমদা নাগালেন্দ মিজোরামনচিংবা ষ্টেটশিংনা য়েৎখিবনি।

কুমজা ২০১২ দসু মতম অদুগী য়ু পি এ লৈঙাক্কী মতমদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হোমনসু মণিপুরদা আই এল পি চৎনহন্নবা *মখা লমায় ৩দা...*

## গভর্ণর, সি এমনা গান ঙাইগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জানুৱারি ০৭(এস এন এস)ঃ মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লা অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা গান ঙাই ২০২০ গা মরী লৈননা মণিপুরগী মীয়ামদা মরুওইনা জেলিয়াংরোং ইচিল– ইনাওশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

গভর্ণর নাজমা হেপ্তুল্লানা মহাক্কী পাউজেলদা হায়, জে লিয়াংরোং কম্যুনিটিনা নীংথমগী কুম্মৈ অসি চহী অসিগী মনুংদা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়দা ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা পাঙথোকই। হৌখিবা চহী খরা অসিদা মসি কম্যুনিটি অতৈনসু শরুক য়াবা কলচরেল ইভেন্ট অমা ওইরে। ঐখোয় পূন্নমক্না মরুপ মপাং ওইবা অমদি ইচিল ইনাও ওইবগী মওংদা কুম্মৈ অসি পাঙথোকসি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু কুম্মৈম অসিগা মরী লৈননা পীবা পাউজেলদা কুম্মৈ অসিনা নুংঙাই য়াইফবা অমত্তা ওইবা, নুংশিনবা ইং তপ্পা অমদি ইচিল ইনাও ওইবগী মতৌ পুরক্লসনু হায়খি।

অতৈ মিনিষ্টরশিং, মীয়ামগী লুচিংবা কয়ানসু কুম্মৈ অসিগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

## হয়ার সেকেন্দরি এগজামদা মহৈরোই লীশিং ৩০ হেনবনা সেন্টর ১০১ দা এগজাম থাগদৌরি

ইম্ফাল,জনুৱারি ০৭(এস এন এস)ঃ হয়ার সেকেন্দরি এগজামিনেসন ২০২০ লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১৪ দগী হৌরগা মার্চ ২৩ ফাওবা চত্থরগনি। এগজামিনেসন অসিদা ষ্ট্রিম অহুমদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩০ হেনবনা সেন্টর ১০১ দা এগজাম থাদুনা শরুক য়াগদৌরি হায়না কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এডুকেসন মণিপুরগী চ্যারমেন ডা. এল মহেন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপরাদা লৈবা কাউন্সিলগী ওফিসতা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা চ্যারমেন এল মহেন্দ্র সিংহনা হায়, ক্লাস ইলেভেনগী চাংয়েং অসিগা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা হয়ার সেকেন্দরি এগজামিনেসন, ২০২০ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মহৈরোইশিংনা মতম পূন্নমক্তা পূক্লিং লৈতানা, ঈংনা তপ্পা এগজামদা শরুক য়াবীনবা তাইবং শেন্বা মপুগী মফমদা থৌনিরি হায়খি।

মহাক্না হায়, হয়ার সেকেন্দরি এগজামিনেসন, ২০২০ অসি পুন্না সেন্টর ১০১ দা পাঙথোক্কনি। মসি মমাঙ্গী চহীদগী সেন্টর ১ হেনগৎলবনি। সেন্টর পুন্নমক অসি কাউন্সিলগী সেন্টর ওইগনি হায়খি। এগজামিনেসন অসিগী ওইনা প্রেক্তিকেল এগজামিনেসনদি মহৌশাগুম্না মশা মশাগী স্কুল কলেজ শিংদা মখোয় মশাগী প্রোগ্রামগী মতুং ইন্না পাঙথোক্কনি।

কুমজা ২০২০গী ওইনা ক্লাস ইলেভেনগী এগজামিনেসন অসি ফেব্রুৱারি ১৭ তগী হৌরগা মার্চ ২৬ ফাওবা চত্থগনি। মসিদা আর্ট, কমর্স অমদি সাইন্স ষ্ট্রিম অহুম অসি পুল্লগা মহৈরোই লিশিং ৩০ হেনবনা শরুক য়াগনি।

এগজামিনেসন অসিগী তঙাইফদবা ইন্সপেক্সন টিমশিং শেম শাবগী থবক লোইশিনলক্লে। মখোয়না এগজামিনেসন সেন্টরশিংদা পাঙবা য়াবা মতেং পাঙদুনা মহৈরোইশিংনা য়াম্না ইংনা তপ্পা অপনবা লৈতনা অমদি পূক্লিং লৈতানা এগজামিনেসন থাবা ঙম্নবা হোৎনরি হায়খি।

মমাঙগী চহীদা এগজামিসেন অসি থা অমগী মনুংদা চে য়েংবা লোইরগা রিজল্ট লাওথোক্লম্বা অদু হন্দক্কী চহী অসিদা চে য়েংবা *মখা লমায় ৩দা...*

## জে এন য়ু থৌদোক্কী মতাংদা এম য়ুদা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৭(এস এন এস)ঃ হৌখিবা জনুৱারি ৫ দা মশক খঙদবা মীওই খরনা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি (জে এন য়ু) গী কেম্পসতা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রেসিদেন্ট আইশে ঘোশ য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওজা অমদি মহৈরোইশিংদা তমথিনা ফু– চৈবগী থবক চত্থরম্বা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) না শীন্দুনা এম য়ুগী গেটতা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

মশীং য়াম্লবা মহৈরোই কয়ানা খূৎতা মৈরা পায়দুনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা মুসু ষ্টেন্দ ৱিথ জে এন য়ু ভিক্টিম হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

খোঙজং অদুবু লুচিংখিবা মুসুগী প্রেসিদেন্ট মোইরাং থেম বোবিনা পাউমীশিংদা হায়, ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফবা মহৈলোইশঙশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জে এন য়ুদা হন্দক থোক্লিবা থৌদোক অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। মসি জে এন য়ুগী মহৈরোইশিংদা খক্তমক ওৎপা– নৈবা নত্তনা মহৈরোই খুন্নাইদা অচৌবা শীংনবা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। থৌদোক অসিগী মতাংদা পাল্লিবা লৈঙাক *মখা লমায় ৩দা...*

## পি এল এগা এ আরগা কাপ্নখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ০৭(এস এন এস)ঃ চকপীকারোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শজিক তম্পাক্কী শরুক অমা ওইরিবা খোংতে ভিল্লেজ ময়াদা ঙসি অয়ুক পি এল এগী কাদর ওইগনি চিংনবা খরগা অসাম রাইফলসকী টিম অমগা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্নখ্রে।

থৌদোক অদু বোর্দর পিল্লর ৮১ অমসুং ৮২ অনীগী লোন্নবা মফমদা থোকখিবনি। এ আরগী পেট্রোলিং পার্টি অমদা পি এল এগী কাদর ওইগনি চিংনবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। কাপ্নবা অদুদা অশোক–অপন অমত্তা য়াওনখিদে হায়রি। তুংদা অসাম রাইফলসকী অহেনবা ফোর্সশিং মফমদুদা থোমজিন্দুনা পাক–শন্না থি হুম্বগী থবক চত্থখি। অদুবু মীফা–মীপূন অমদি মখা তাবা থৌদোক–ৱাথোক অমত্তা থোকখিবগী পাউদি তাবা ফংদে।

## পোলিটিকেলগী চয়েৎনবা লীগেল্লি লোইশিন্নবগী মফম লন্দননি: সমরজিৎ

ইম্ফাল, জানুৱারি ০৭ (এস এন এস) ঃ পোলিটিকেলগী চয়েৎনবা অসি লীগেল্লি লোইশিন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা মফমসি লন্দননি, মরম অসিগীদমক্তা দে জুরে গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা লন্দনদা লাকখিবনি হায়না লন্দনদা লৈরিবা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ফোরেন এফিয়ার্স এন্দ দিফেন্স মিনিষ্টর নারেংবম সমরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মদু নৎলমদবা তারগদি ঐখোয় ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টতা হান্না চৎননবগী থৌরাং থৌশিল পূন্নমক লোইরুরবনি। অদুবু লো চৎতবা লৈঙাক্লিনা মশানা শেমজবা কন্সষ্টিট্যুসনবু খোঙনেৎনরগা দে জুরে গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরবু মরাল শীদুনা মিনিষ্টরস ওফ কাউন্সিলগী মেম্বরশিং গী মথক্তা কা– হেনবা এক্ট ময়াম অমা পানশিন্দুনা ইন্দিয়াগী লোগী এফ আই আর পল্লি, মসি খক্তা নত্তনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টদা ইনকম টেক্স থিরিবা মশাগী বেঙ্ক একাউন্টশিং ফাওবা থিং জিনবিরে। মসি পূম্বা মালেমগী মীয়াম পূম্বদা খঙহন্দ্রিঙৈদা অথুবা মতমদা থৌওংশিং অসি হন্দোক্তবা তারবদি মদুগী ফংফম থোকপা পূন্নমক লৈরিবা লৈঙাক্না ফংবা তাবনি।

দে ফেক্টর কন্সটিট্যুসনগী মখাদা শেম্লিবা অমদি লৈঙাক্লিবা দে ফেক্টর গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা লান্না লমজিংদুনা অনকন্সটিট্যুস্নেল ওই হায়বগী মতাংদা পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়,মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ গী জেনরেল ক্লাউস ৫৭ না অসুম্না হায়রি, 'হুেয়র ইন এনি কেস সারকমষ্টেন্সেস এরিস হ্বিচ প্রিভেন্ট *মখা লমায় ৩দা...*

## তকশিলাগী অনৌবা ব্রাঞ্চ অমা থাংমৈবন্দদা হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৭ (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়াগী ওইনা মেদিকেল অমদি ইঞ্জিনিয়ারিংগী এগজামিনেসন থাগদবা মহৈরোয়শিংগীদমক মমিং চৎলবা কোচিং ইন্সটিট্যুট 'তকশিলা'গী অনৌবা ব্রাঞ্চ অমা থাংমৈবন্দগী দি এম কলেজ রোদতা ঙসি হাংদোকখ্রে। তকশিলা ইন্সটিট্যুটকী অনৌবা ব্রাঞ্চ অসি তকশিলাগী কোওর্দিনেটর, সঞ্জিব তিয়াগীনা মণিপুরদা অহানবা ওইনা হাংদোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা তকশিলা ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী ব্রাঞ্চ হেদ, মোনোরঞ্জন নাওরেমনা হায়, ইন্দিয়াগী ওইনা মমিং লৈরবা তকশিলা ইন্সটিট্যুট অসিনা ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট ১৩ দা ব্রাঞ্চ ২৭ হাংদোক্তুনা ডাক্তর অমদি ইঞ্জিনিয়ার লিশিং ২৫ গী মথক্তা পুথোকপা ঙমখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু ঙসি হাংদোক্লিবা ব্রাঞ্চ অসিনা লমদম অসিদা অতেনবা মতমগী মনুংদা অনৌবা ডাক্তর অমদি ইঞ্জিনিয়ার কয়া অমসু পুথোকবা ঙম্লগনি। হাংদোক্লিবা ইন্সটিট্যুট অসিদা মেদিকেল অমদি ইঞ্জিনিয়ারিংগী এগজামিনেসন থাগদবা মহৈরোয়শিংগীখক্তা নত্তনা ক্লাস নাইনদগী হৌদুনা ক্লাস খূদিংমক্কী মহৈরোয়শিং তাকপি তম্বিবগী কোর্সশিংসু হাংগনি হায়খি।

## ড্রাইভর দে নুমিত্তা দ্রাইভরশিং ষ্টিয়ারিং থাদোক্কনি: য়ুনিয়ন

ইম্ফাল,জনুৱারি ০৭(এস এন এস)ঃ চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম্না ওল মণিপুর রোদ ত্রান্সপোর্ট দ্রাইভর এন্দ মোটোর ৱার্কর য়ুনিয়ন (দ্রাইভর য়ুনিয়ন)না লাক্লিবা জনুৱারি ১৪ দা দ্রাইভর দেগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি। নুমিৎ অসিদা শেন্দান লম্বীগা মরি লৈনবা গাড়ীশিংগী দ্রাইভরশিং ষ্টিয়ারিং পায়রোই হায়রি।

এম জি এভেন্যুদা লৈবা য়ুনিয়ন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা য়ুনিয়ন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি মাইমোম অনিল মৈতৈনা পাউমীশিংদা হায়, হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ৩১ শুবা দ্রাইভর দেগী থৌরম অসি ইম্ফালগী আই এল বি টিদা পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবা দ্রাইভর ২৬৩গী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা অমসি লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খুদোলপোৎশিং পীদুনা ইকাই খুম্নগনি।

মহাক্না হায়, দ্রাইভরশিংবু খুন্নাই অসিদা হন্থবা মীৎয়েংনা য়েংবীদুনা ওৎপী নৈবিবগী থৌওংশিং চত্থরকপদগী থম্মোয় শোক্লবা দ্রাইভর লিশিং কয়ানা কুমজা ১৯৯০গী জনুৱারি ১৪ দা কোইরেঙ্গৈ এয়ার ফিল্ডদা চং শিনখিবা খোঙজং অদুবু নিংশিংদুনা ঙসি ফাওবা দ্রাইভর দেগী থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। মণিপুরগুম্বা রোদ ট্রান্সপোর্টতা তাঙলগা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবা অমদি চখোক চৎশিন তৌবা নত্তনা উপায় লৈত্রবা মীওই লাক্ষ কয়াগী নোংমগী চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া পুশিনলক্লিবা দ্রাইভরশিংগা *মখা লমায় ৩দা...*

## জে এন য়ুগী থৌদোক কন্দেম তৌই: লূপ তরুক

ইম্ফাল, জানুৱারি ০৭(এস এন এস)ঃ হৌখিবা জানুৱারি ৫ দা জে এন য় দা য়ান্না লাইবক থিবা থৌদোক অমা ওইনা অখিল ভারতিয় ভিদ্যারথি পরিষদ (এ বি ভি পি) গী থৌমীশিংনা মায়খুম উপ্তুনা মী শিবা য়াবা খূৎলায় পায়দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রেসিদেন্ট অমদি মহৈরোই কয়াদা তমথিনা ফুরম্বগী থৌদোক অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না এমসু, এম এসএফ, দেসাম, কে এস এ, সুক অমদি এ আই এম এস না পুন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মহৈরোই লূপ ৬ অসিগী লুচিংবশিংনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মালেমদা দিমোক্রেসি চৎপা অচৌবা লৈবাক অমনি হায়না লৈজ রিবা ইন্দিয়ানা মশাগী কোনুং দিল্লিদা লৈবা ইন্দিয়াগী মশক নাইরবা য়ুনিভর্সিটিশিংগী মনুংদা চল্লিবা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি অসিদা অসিগুম্বা থৌদোক অমা থোক্লকপদা খূদক্তা লাকশিনবা ঙমদবা অসি ইন্দিয়াগী অচৌবা মায় খুনিঙাইহনি। অসিগুম্বা মশক নাইবা য়ুনিভর্সিটি অসিদা থোকখিবা থৌদোক অসিনা মালেমগী লৈবাকশিংগী *মখা লমায় ৩দা...*

# সি এ য়ুনা শীংথানবা য়াবা থবক কয়া পাঙথোকখ্রে: ভি সি

ইম্ফাল,জনুৱারি ০৭(এস এন এস)ঃ সেন্ত্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি (সি এ য়ু), ইম্ফালনা হৌখিবা চহী ৫ অসিদা শিংথানবা য়াবা থবক কয়া পাঙথোকপা ঙমখ্রে। শিংথানিঙাই ওইবা মনা মথুং কয়াসু ফংলকখ্রে হায়না এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চান্সেলর প্রো. এম প্রেমজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা সি এ য়ু হেদক্বাটরদা কুমজা ২০২০গী ৱাল কেলেন্দর, তেবল কেলেন্দর অমদি কিষান দাইরি ফোঙদোকপা অমদি হৌখিবা চহী ৫গী এচিভমেন্ট লাওথোকপগী থৌরমদা ভি সি প্রো. এম প্রেমজিৎনা হায়, সি এ য়ু অসি কুমজা ১৯৯৩ দা অৱাং নোংপোক ষ্টেট ৭ অসিগীদমক লিংখৎখিবনি।



লিংখৎখিবা চহী ২৭ শুরবা সি এ য়ু অসিনা হৌখিবা চহী ৫ অসিদা শিংথানিঙাই ওইবা থবক থৌরম কয়া মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমখ্রে হায়খি। কুমজা ২০১৪ ফাওবদা সি এ য়ুগী মখাদা কন্সটিট্যুয়েন্ট কলেজ ৭ খক লৈরম্বদগী হৌখিবা চহী ৫ অসিগী মনুং দা অনৌবা কলেজ ৬ অমসু হাপচিন্দুনা পুন্না কলেজ ১৩ শুরে। লোয়ননা কে ভি কে হান্না অহুম লৈরম্বদগী অতোপ্পা অহুম অমগা হাপচিন্দুনা কে ভি কেসু তরুক শুখ্রে। সি এ য়ু অসি লৈবাক অসিগী সি এ য়ু ৭৫ গী মনুং দা কন্সটিট্যুয়েন্ট কলেজ ১৩ লৈবা খ্বাইদগী চাউবা সি এ য়ু ওইরিবনি।

একাদমিক্কী ওইনা য়েংবদা য়ুনিভর্সিটি অসিদা অন্দর গ্রেজুয়েট, পোষ্ট গ্রেজুয়েট অমদি পি ঐচ দিদা পুন্না পোষ্ট ৬৭৫ ওইরম্বদগী কুমজা ২০১৯–২০ দা ইনতেক কেপাসিতি অসি ৯৩৫ য়ৌরে। মসি কলেজ ১৩ অসিদা এন্ত্রান্স তৌরগা খনবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লৈবাক অসিগী ষ্টেট ২৩ দগী লাকপা মহৈরোই ২৩০৫ না কলেজ ১৩ অসিদা মহৈ তম্লি। হৌখিবা চহী ৫ অসিদা সি এ য়ুগী কলেজশিংদা ফোরেন কন্ত্রিশিং দগী মহৈরোই ১৫ তম্লি। য়ুনিভর্সিটি অসিদগী পাস *মখা লমায় ৩দা...*

